

*“মী লাইপোক অমা অনীদং থোরক্লবা হোৎনবদা, চাদিংদা হালেংদবা প্রকৃতিনা মীচম করোর কয়া শেম্বা তাই।”*

*- হৱাইবম রনবীর*
*(কবিতা, ৱারেং অখোম্বা)*

## ঐ লাই শাখি

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ
ঐ লাই শাখি
ঐ লাই ওইখি
অঙাং ওইরিঙৈ ৱাখল অঙকপনি।
ঙসিসু ঐ নীংশিংলি
নুমিৎ অদুগী থৌদোকশিং
লৈতেংগী পোৎশকশিংনা মকে শেন্নবা
লাই শাবগী ফিজোল
ঙসিসু নীংশিংলি নুমিৎ অদো
ঙরাং নহালতা থোকখিবগুম।
লাই শাবা-শাবী মখোয়শিংনা
মখল মথেলগী ফিজোল, শমউপ
মমিৎ মনা, ময়া মখল মথেল উরুরগা
করিগীনো ঐনা অসুক কিরুরিবা?
ঐ অঙাং ওইরি ৱাখল মপূং ফাদ্রি
ফনা হায়বি অহলশিংনা
ঐবু থেমই, কিদনবা হন্না হন্না
করিসু তৌরোই অশেংবা নত্তে
শাশিন্নবা ঙাক্তনি অদুবু ঐনা য়াখিদে।
মখোয় লোয়নমক ঐগী ইফমদদি
মীনম্বা ঙাক্তনি।

## নশক

**—তোংব্রম শামুঙৌ**

করিগুম্বদা
হায়খিদে ঐ
নঙ কনানো
কদায়দৈ লাকপনো?
হংসু হংখিদে
নশক নমিং ফাওবা
খঙনিংখিদবনা
অদুগা,
নঙনদি করিগী
নশক তাক্লিংলিবা?
নশাবু নশানা
খঙহন্নীংলিবা করিগীনো
অদুবু
খঙনীংলুদ্রে নশক
ঐদি অমুক নঙবু।

## কৈথেল

**—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম**

মাঙদা উরিবা কৈথেলসি
কয়াদা থুনা ৱাং চাউখৎখ্রবনো,
লিংখৎখিবসি ঙরাং-নহালতা ওইরিবোই নীংই
নোংদোল পক্লা ৱাংখৎখ্রে
মশীং থিঙমদ্রবসু মথোলশিংনা।
কৈথেলগী মচৎতি
পূন্নমক খঙনরি
লৈবা অমসুং য়োনবা
লৈবা ঙম্বনা ফংখিবা
লৈবা ঙমদবনা ফংহৌদবা।
কৈথেলসিগী অরং অরাক্তা
লম্বী চৎপশিংনা মঙলান কয়া পুদুনা লাক্লবসু
নীংবা কায়বগী পোৎয়োম পুদুনা হনখিনি
থৌনা পূম্বা থাদোক্লদুনা।
অদুনা কৈথেলসিদা থুগায়সি
ময়াম পূন্নমক থোকপীরকউ
বন্দ তৌবশিংসু
বন্দ মচেৎ অমতা পুথোকপীরকউ
নোংমৈ কাপ্পশিংসু
নোংমৈ মরু অমত্তা পীবীরকউ
বোম লংবশিংসু
বোম মচেৎ অমত্তা পীবিরকউ
ফনা কন্না লাউ খোংজৈ
কনাসু তাবিদে
কনাসু খুম্বীরক্তে।
অদুবু কৈদৌরুনি হৌজিক্তি
মতমসিগী মীশিংগী পুকচেলগা
কৈথেলসিগী পুকচেলগা
অমত্তা ওইখ্রবসিদা।

## অকাও পরৈ চনখিনুকো

**—ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম**

অকাও পরৈ চনখিনুকো
নুংশি শক্তম লোৎখিনুকো
চান্নবী নঙ লম্লানখিনুকো
ইদোম তরক হুন্দোকপীনুকো
মীনোক চাউবা তাইবঙসিদা।।

থম্মোয় থম্মোয় খূৎশিন্নসি
ৱাখল ৱাখল পীন্নরসি
হিংহল্লু ঐবু নঙগীদমক
শাংলবা পুন্সি খোঙচৎতা
লাপ্পবা কাইনবা তাইবঙসিদা।

থামম্বা অহিংসিনা নঙোন্দা
থানিলগী মঙালসিনা ঐবু
কঙাওনবা ৱারীগুম চনৈনদুনা
থৱানবীচাক মশীং থিহনবীরনু
অঙাওবনা থল্লবা তাইবঙসিদা।।

## লম্বীদুদা চৎলমখি

**—মোইরাংথেম ওংবী নিলকুমারি দেবী**

কোকথক্তা খূৎনা থাঙ্গৎখিবা খঙহৌদনা;
মাঙখ্রবা নহাকপু থিবা লাকপনি
ঙাইরিবনি অশংবা নাপীনা ফিদা ওইরবা
পাক্লবা লম্পাক মচিদা ফমদুনা
অশুকপা অৱাংবা চীংজাওসু কানিংদে,
য়েংনিংলি মিৎ কুপ্তুনা
পাইরক্লিবা অৱাংবা অতিয়াগী
লৈতেং ওইরিবা লৈচিল মপৈশিং
য়াওরকপদি উখিদে।
মশীং থিজিল্লি অঙৌবা, অঙাংবা, হিগোক মচু
য়াওরকখিদ্রে অহাংবা ওইনা উহল্লি।
থিরি শংবান্নরবা ফৌনারক্তা লোৎলমগদ্রা?
লৌপেং হাবেং তৌরমগদ্রা?
নূং শুফম, চেক শাফম
পাউচে য়োনফম, ফি তকফম
হুম হুমদুনা থিবনি নোংমদি থেংনরকখিনি
মমিৎ মনা ইথক থক তুকথরবা ৱাখলনা মাংজিল থা
ওন্ন-তৈন মশক মচু ইৱাও ৱাও
চৎখি হাইনা হুম্না লম্বী থুংনা
লাপ্পা চৎখি লাপ্পা উখি
হাইরি হাইরি কনাবুসু থওইদনা
মনীং মমাঙ থৎলবা অহাংবা মালংদা
এরোপ্লেন্দগীসু কুমথরক্তে, লৌপেং হাবেংসু তৌরমদ্রে
লৈতাফম খঙহন্দ্রবা ৱাখলগী পরিংনি মাঙওইনরিবা
অকি অখং লৈতনা ফৈরেংননা চৎপনা
অশেংবা অপাম্বা লম্বীনি খন
অসুম চৎখি লম্বীদুদা
ময়াই কারবা, হকচাং পোলাং পুদুনা
চৎলমখি লম্বীদুদা নীংহন্নদনা।

## ইমৌনি ইমৌ

**—মনি থৌদাম**

খিরে মপা ঐদি
ঐগী ইমৌ শকহেনবীসে
মশানা য়ানা চেল্লকপী
লুহোংবীখি লৈবাক কুম্মৈ ওইনা
লৈকায় ৱারীনখি।
অমত্তা পোকপা ইচাদুগী
মৌ, চেনখি মপামদা
নোংমা নীনি মাঙলুই
মপাম লমদম লমনুংশি।
ঐগী ইচা থিবোংজাও?
ইকায়না ৱা ঙাঙদব্রা
নুপীগী য়াকা খঙদব্রা
চাউনা পংই অপংজাও,
মপা ঐদি ঙাওরেদো।
ঐগী লন থুমদি মাঙখ্রে
ঐগী ইমৌ শকহেনবী।
হেক্তা চেনখি মপামদা
করি পাউবু হায়রুবা
করি য়াৱাবু তমলুবা
যূম্বাল লম্বী খঙদবী
ইথক ইপোমদা ইকাবী
মায়থোঙদা ইকায়বা পোক্তবী
অচাউরম কাবী ইমৌনি,
অযূক্তা হোটেলগী লৈতেং
চীনবাল কাংনা জরদা
মশক উবা পামদরে
খিরেদা মপা ঐদি
নিপানা য়াবা ইমৌসে
ঐগী ইমৌ শকহেনবী
মশক উবা পামদরে।

## ইমা

**—মাইস্নাম বীশেশ্বর**

হিংলিঙৈ মতমদনা করিসু থৌওই নাচুংখিদবা
হৌজিক্তনা পুকচেল নুংওন্না
নুংহিক্লরিবা নুংবংনরিবা থম্মোয়
হে পঙলবা থম্মোয় চাকউ মৈচাক্তো হঞ্জিন হঞ্জিন
মৈরি মরক্তা তাঙ্গৈাই ওন্না লোইবা নাইদা!
থৱায় মীরেল মানা অরোইবা মিৎকুপতু থাদোকখ্রবা
মতুংসিদদি নুংশিবা হকচাং মহাক্তি লাক্লরোই
হৈরাং অহাউবা অমত্তসু চীনদমখিদবী
খোইয়ুম্বা চিঞ্জাক তংজখিদবী
অনিংবা ৱাহৈনা হায়খিদবি
হে পলেম ইমা পুকচেল ফজবী।।
অথিবা ৱাহৈ অমত্তা হায়খিদবি
নহাক্কুম্বী অমা থিজবা ফংগদ্রনে?
ঐখোয়বু চাউনবা হোৎনবদা ইকায় ইকি ৱাংবা লানখিবী
নহাক্কী লমনবু শিংবা ঙমগদরনে
নীঙমখিদেদা অতোনবগী নোংদম
শোলহৌরনি নীঙমদা নীঙমদা
তাইবঙ পুন্সিনা লৈরিবমখৈদি
মৈতালনা ৱাখৈদ্রিবা ফাওবা
পলেম ইমা নুংশিবী।

# শাৎলে পূক্লীং লৈরাং

## (পুন্সিবু মঙগী খোঙচৎ অমনি হায়রিবা অইবী অমা)




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | শাৎলে পূক্লীং লৈরাং |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবা | ঃ | চিঙ্গাংবম সঙ্গায়জাওবী |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৬ |
| অফোঙবা | ঃ | ইমাখোল |

**নীংশিংলকই** ঙসিদি, ১৭ শুবা চহীচাগী অইবী অমখক, মমিংনা মার্গেরেট কাবেন্দিস, ইংরাজি অইবীনি। মহাক্না হায়, “ঐ কবি অমা ওইজরে, পীথোক্লকপা অমা হায়দুদি নত্তে, তৌবতবু কবি অমদা লুহোংলুবদগীনি।” (a poet I am, neither born nor bred/but to a witty poet married) কয়াদা থমোয়শেংনা হায়রমখ্রবনো? ঙসি ঐনা পায়খৎচরিবা লাইরিক অসিসু অদুগুম্বা অইবী অমগী শৈরেং লাইরিক্লি। চিঙ্গাংবম সঙ্গায়জাওবীগীনি। মহাকসি অৱাং পোৎশংবমগী অইবা, ৱারিবম মৈনোগী লোয়নবীনি। ওইরম্বা য়াই মপুরোইবগী ঈথিল ফংবা। য়াম্না থেঙনা অইবীগী থমোয় লকাদা শৈরেং ইনিংবগী ঈথিল লাক্লি। থেঙলবসু থেঙনা ইথোক্লক্লিবা খরা অসিদি য়াম্না ৱাংবা শৈরেংগী থাক নৎত্রবসু থমোয় শেংনদি ইরে। শৈরেং ইবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক অমদি থমোয় শেংবা হায়বসিসু অমনি। অইবী অসিগী পূক্লিংদা ফাওরকপা সেন্সিবিলিটি অদু ইতিং তিংনা ফোঙদোকপা ঙম্লে। কনাসু কিদ্রে। ফজরিবদি অইবী অসিগী মশাদা চহী লৈশিল্লক্লবা ফাওবদা রোমেন্টিক টোন অমা ইলোইতা লোয়নবা অসিনি। মহৌশাগী ফজবা, চীং-মানগী নীংথিবা উবদা মশা লৈতাদে। প্রকৃতিবু নুংশিবদা ৱর্ডসৱর্থনি, অদুগা ফজবদা ঙাওজবদনা জোন কীটসনি। ফজবসু অচুম্বনি, অচুম্বসু ফজবনি হায়বা ৱাখল্লোন ফজনা য়াওরি। তশেংনা হায়বা তারবদি লাইরিক অসিমক্তি অইবীগী পুন্সি ৱারী অমনি। লোইনা শমজিন্নরগা পাবদা য়াগনি। মসিদা শুরে অইবীনা শৈথারিবা, মাগী পুন্সিনা হেক থেংনখিবা পূম্বা, মাগী থমোয়দা হেক ফাওরকপা, মাগী ৱাখলদা হেক খঞ্জবা পূম্বা য়েক্লি অচম্বা ৱাহৈতনা। পাবদা তশেংনা মীনুংশি পোক্লকই।

চিঙ্গাংবম সঙ্গায়জাওবীগী অহানবা লাইরিক অসিদা শৈরেং ১০৫ য়াওরি। কুম্মৈদা শাৎপী লৈরাংগী নাচোম ওইরসু লৈনম মাঙদ্রি। ইবগী পরীংসু ওন্থোক্না চুম্না চঙশিল্লি। কৎচবা অমনা হৌরগা মিকোল থাগোনবা শৈরেং অমনা লোইশিল্লি। থৱায়-মি কৌশিনবা কাউদে অইবীনা। চহী কয়াগী ওমদুনা লৈরক্লবা পূক্লিং ঈথিল ফোঙদোক্লবা হোৎনবনা শৈরেং অয়াম্বা মশাগী পুন্সিগী থৌদোক ৱাথোক, অৱা-অনা, কাউঙমদবা ৱারী কয়ানা অয়াম্বনি। মরক মরক্তা অইবীনা অকোয়বদা লৈরিবা খুন্নাই উরকই, মাগী অনীংবা, অপাম্বা থমোয় শেংনা ফোঙদোক্লকই। ওন্থোক্না ফজখ্রে, ৱাখল্লোন। ফহন্নিংবা, ফজহন্নিংবা কয়ানি মানা য়েক্লিবা। তশেংনা খঙলে, অইবীসি অরং-অরাক্তা লূপত্রে, মহাক্না পামজৈ, মীনুংশি, থমোয় লৈতাবা, কুইনা চৎনগদবা ভেল্যুজ কয়া। অদুনা মখোল থোক্লকই, ‘ইপুরোইবনা কারদা পুবীবা/মৈতৈ শরেং, রৌ, কটলা/হাওর লেমলৈ মথেল/থোংদুনা চামিন্নবা/কোরৌ মশীং য়াম্লক্লে/পাম্লক্তরে, পাম্লক্তরে।” (থম্মোয়নিদা পেন্নাইদ্রবা, লা: ১১) অদুদি অইবীনা করিবু পামজরি, করিবু লাইনীং ওইরি। য়েংবা য়াই, মানা হায়রি, “থকচগে মরিক অমতং/শুপ্নতগী মরিক অমা/নঙগী থম্মোয়গী লাইজদো।” (লম্বী চৎপনি ঐহাক, লা: ২০) অমুকসু অইবীনা থমোয়মক শেংনা হায়জরি, “হুন্দোকপিয়ু ঐবু ইদোম/তাম্ল চীংয়া তময়াদা/লোক্লুংগী ঈচেল মখোলগা/হরিগী নিং নিং খোঞ্জেলগা/তিন্নবা ঈংল মফমদুদা/ইনীং তম্না খঞ্জগে।” (ইদোম থাদোকপীয়ু, লা: ২২) মসিনা তাক্লি অইবীগী থৱায়না অচীকপা থিরক্লে। চরাংনরবা খুন্নাই, পল্লেপফম খঙদ্রবা খোঙচৎ পূম্বা অসিদা মহাক পোত্থাফম খঙদ্রে। ইংরাজি কবি শেলীসু হায়খি, "Oh lift me as a wave, a leaf, a cloud/I fall upon the thorns of life! I bleed!" কয়াদা মান্নখ্রবা। চহী কয়া ফাজিন্দুনা, পুনশিন্দুনা থন্লকপা অইবীগী থৱায়, ৱাখল পূক্লিং ঙাইহাক্তং ওইরবসু শৈরেংগী মসাদা তোংদুনা পাইবা পাম্লকপনি। অদুমক্না অইবীনা থমোয় শেংনা হায়জরি, “পামজৈ ঐনা উচেক্কী মপোক/হাঙল-অতিয়াদা নীংতম্না পাইজবা/উপাল-ৱাপালদা ইয়ূম শাজবা।” (পামজৈ ঐনা মপোক্তু, লা: ৬১) মসিনা লোইদ্রি অইবীগী নীংতম্বা পামজবগী ৱাখল, অমুকসু হায়, “ৱাংনা লাপ্পা পাইখ্রো/মরি তৎল তেলঙ্গা/মীৎলু লাইজ শিন্থগনু/ৱাংনা লাপ্পা পাইখ্রো।” (মরি তৎল তেলঙ্গা, লা: ১১১) কয়াদা শাফু কনখ্রবা খোন্থানো। অইবীগী থৱায়না তেলঙ্গা ওনখ্রি। মসিদি নুপীগী অনৌবা মশক অমনি।

অইবীগী মশক অমনা খুন্নাইবু ফহন্নিংবা অসিনি। মাগী মত মতুং ইন্নদি ঐ, ঐ ময়াম ফরগা খুন্নাই ফদৌরিবনি। ঐ ময়াম্না ঐখোয় ওইরিবনি, ঐনা মফৎত্রবদা খুন্নাই অদুনা ফবগী ৱা লৈত্রে হায়রি। অদুবু অইবীনা চেকশিন-ৱা অমদি হায়রি, “ইশাগী নীংতম্ববু খুর্জি লাকশিনগদবনি/থাদোক্লিমখৈ ঐগী নীংতম্বা/লৈবাক মরা তপকনি/খুন্নাই তংদু লৈতাগনি।” (নীংতম্বা, লা: ৭৩) মসিনা তাক্লি অইবী অসি থোমাস হোব্বসকী “সোসিএল কন্ত্রেক্ট থীওরি অদু পামজৈ হায়বা। ফজবা ৱাখল্লোননি। অমুকসু অইবীনা য়েংবদা মিৎ নারবা, লৈঙাক মথোঙ চাদ্রবা খুন্নাই অসিবু ৱাহৈ খরদনা আইরনী শীজিন্নদুনা করেম্নরি, “মীচঙনি নঙদি শেঞ্জাও পায়বশিংগী/চারি নঙনা ৱানোম শেল/মায়পাকপা মায়থীবা অনীমক্তগী/ওইহল্লু মোংফম চাকখাউদু শা-ঙাগী/... অদুবু অশি নিংথৌ লৈবাক্তা/নোনগনি কোক শোয়দনা মঙোন্দা।” (অশি লৈবাক্তা, লা: ৯৩) অতোপ্পা ফজবা অমনা অইবীনা চীং-তম কায়নরকপা অসিবু শৈরেং অনীদা ফজনা য়েক্লি। মানা খঞ্জৈ, তম্না চীংবু খজিক মীরায়খিবা লৈরব্রা? অদুনা মানা কপচৈ, মঙাই থোইবীনা লাকপদা শঙ্গোয়দা লেকহনখিবা। লানখ্রে হায়জৈ, অমুক্তগা লাকউ, পুখম অমতদা চামিন্নসি হায়না। অদুগা অমুকসু থমোয়দা য়ুখিবা তিংখংদি থমোয়না শৎকদবনি হায়রি। মাগী ৱাহৈদা, ‘থম্মোয়দা য়ুখিবা/তিংখংগী চৈনাখোল/ফবা লৈরোই কৈদৌনুং/... থম্মোয়দা য়ুবা তিংখংদি/থম্মোয়তনা শৎকদবনি।” (তিংখং, লা: ১১৪) কয়াদা চুম্না হায়খ্রবা। অশেংবা পাউজেলনি।

অইবী অসিগী অতোপ্পা মশক অমদি পুন্সিবু চুম্না য়েংবা ঙম্বা অসিনি। কদাইদগী লাকপা, কদাইদা চৎলিবা কনানা খঙবগে। অদুনা অইবীনা চুম্না হায়জৈ, পুন্সিদি মঙগী খোঙচৎনি। মসিদা থেংনবা য়াই, চীং, পাৎ, তুরেল, উরোকথোং। লান্দবদি য়ারোই, লানবা তাবনি। তুংদা করম হনগনি। চুমখ্রবা মিৎয়েংনি। পুন্সি লম্বেল চৎনা চৎনা অইবীনা থিরি, মীনুংশিগী মফম, থমোয়গী মরল ‘নুংশিবা’। অদুনা অইবীনা তেংথাজৈ, “কদায়দা মাঙখ্রে, কদায়দা লোৎখ্রে/থোৎলবা থম্মোয়গী লৈনাদা/লোন্না থূপ্না তোংদুনা লৈবা/নুংশিবা হায়বা পোৎশক্তো।” (লৈকঙলা ওইহৌরনি, লা: ৮০) মসিদি নিংঙমদবা য়াওবা থমোয় মপাউখোন্নি। ঐখোয় পূম্বনা তাদবা য়াদ্রবা।

ঙসিদি অইবীগী থমোয় ফাজিঞ্জরে। মমা লমদম্বু য়েংল য়েংলগা কপচবা, শোঞ্জবা নত্তনা কনাদসু ৱারৌদ্রে। মসিদি রোমেন্টিক কবি পূম্বগী হৌনশানি। ৱাদ-ৱারবদি মথমোয় থেমজিনবা হৌনশানি। অইবীগী ৱাহৈ ওন্থোক্না নুংশিখ্রে। মানা হায়, “হে পূক্লিং! নঙ নেমথরো/থাদোক্লো পূক্লিংগী লাংতক্লবা/... থম্মোয় লাইমন ওইনবনি/হে পূক্লিং নঙ নেমথরো।” (থেমজিনবা, লা: ৮১) অদুবু আশা পূম্মাঙ মাঙলবা কবিদি নত্তে। মহাক্কী আশা মাঙদ্রি। নোংমদি অচুম্বা অশেংবা ফংখিনি, থোক্লকখিনি হায়রি। মদুসু ওন্থোক্না মিৎয়েং চুম্না উৎলি। মানা হায়, “অদুবু পূক্লিংদা মঙাল অমদি পীরি/শোয়দনা য়াওরমগনি/‘অচুম্বা, অশেংবা’/অযূক্কী কোরৌ মঙাল মশেক্তা/থাজগী মেঙলা থাবলদা/লৈরাংগী লৈনাদা, লৈনমদা/... তিংথৌ মতোন্দা পকপা লিক্লাদা/চেক্লাগী শৈশক্তা।” (অচুম্বা অশেংবা, লা: ১২৩) ওন্থোক্না ফজনা শৈথাখ্রে। মহৌশা খূৎশেম কায়দ্রি, নোংমদি অফবা অচুম্বা হল্লকখিনি হায়রিবনি।

য়ামখ্রে, সঙ্গায়জাওবীনা ফোঙদোক্লিবা থমোয়গী ঈথিল। অদুবু শৈরেং লোইনমক্কী পাউদম্বদি মসিদদি য়াদ্রে। তুংগী মীরোলদা পাউতাক পীরম্বা, লম্বী তাক্লম্বা, চেকশিন-ৱা হায়বা কয়ামসু ইরি। অদুগী মথক্তা মশাগী থৌদোক্কী অৱা-অনা কয়াসু মপিমক তানা ইবা কয়া অমসু য়াওরি। অপোকপী ইমাবু নীংশিংলকপা, লৈখিদ্রবা ইচাগীদমক কপচবা, ময়ূম পানখ্রবী মচানুপীগদমক তেংথাবা কয়া অমসু য়াওরি। অদুবু খ্বায়দগী মাগী মরুওইবা মিৎয়েংফমদি মমা লমদম মণিপুরনি। মহাক্না মণিপুরবু নুংশিবসিদি কনাগীসু মখা থাররোই। মসিবু মাঙখ্রগদ্রা হায়বসিনা মাগী চিন্তানি। অদুনা মমা লমদম অসিবু ওন্থোক্না নুংশিনা শৈথাখ্রে। য়েংবা য়াই, “অদুবুনে ইমা! চৎলুরে ঐনা, য়েংলুরে লমদম কয়া/হল্লকনিংঙি নফমদা তন্নমক/... লৈতে নঙমুক নুংশিবা/নঙমুক নুংওনবা লমদম অমা।” (ইমাগী লীচিং, লা: ৩৮) অমুকসু হায়, “কপ্পরিনি নুংদা, ইমা নঙদি/লোন্ন লোন্ন, তুমিন তুমিন/ফোঙদোকপদি মঙমদ/ফিজিনা পিরাং তৈথোক তৈথোক্লা।” (কপ্পরিনি ইমা নঙদি, লা: ৫২) কয়াদা নুংশিনা হায়খ্রবা।

লোইশিল্লকপদা অইবীদা হায়জনীংবা হায়ববু মিকোল থাগোনখ্রবা থৱায়দু য়াকায়রোল অমুক শকপিয়ু। থমোয়গী তূম্লিবা শৈরেংশিং হৌদোকপিয়ু। পূক্লিং লৈরাং শাৎহনবীয়ু। ইন্দ্রি মঙাগী শৈরেং ইবদি মায় পাক্লে। তরুকশুবা ইন্দ্রি পূক্লিংগী মিৎ পাঙথোকপীয়ু। করি করি উবগে য়েংবীয়ু। মদুনি অশেংবা শৈরেং মীয়াম্না তান্নরিবা। মথঙগী শৈরেং ঙাইরি।

# ‘নুংহিক্লরিবা অঙৌবা পকপা’

## অজিত অনুভুতিনা ইবা হিন্দী ৱারী মচাগী লাইরিক ‘কান্টি কা কফন’ দগী লৈমপোকপম বেদান্তীনা মীতৈলোলদা হন্দোকপা

**রোশনলাল ...** মানা মপূক্লিংদা মীং অসিবু হন্না-হন্না নীংশিংলি। চহী কয়া হৌখ্রে, হৌজিক্তি মীং অসি মাঙখিবা চহী কুনমঙা শুখ্রে। লৈহৌরিবা হায়ববু শুপ্নতংগী অঙৌবা পক্লবা হকচাং অসি মঙায়রে। হৌখিবা চহী কয়া অসি গঙ্গাগী মপান অসিদা চাকনিবা ওইদুনা অশিববু ঙাইরি ... কৈদৌঙৈ অশিবা হায়বদুগা উনগনি? মালেমগী মীওই কয়া তোর্ব্বানসিদা মখোয়-মখোয়না তৌজরুবা মরাল কোক্লবা ইরুপ্পা লাক্লে। কনাগুম্বনা পিন্তদান তৌবা লাক্লে অদুগা কনাগুম্বনা তৌজরুবা মরাল পূম্বা কোকচনবা প্রায়শিত তৌবা লাক্লে। মানা মফমসিদা লাকখিবা মতমদু ... অঙকপা থৌদোক অমদগী লাকখিবনি... মতমদু মা ক্লাস সিক্স তম্বদা ঙাইরি। মাগী মপাবুং বজীরচন্দ দারোগানি। লৌ-ইস্খোলগী থবক্তি খুরাগা-ইপলগনা য়েংশিল্লি। মহৈ-মরোং, মনা-মশিং অমদি ইমুং-মনুংগী পোৎ-চৈ কয়া কনা-কনাননো খঙদে পুরকই, পীরম্মী। স্কুলদা ওজানা রোল কৌবদা, রোল নম্বর ১৫ রোশনলাল - মপাগী মমিং বজীরচন্দ দারোগা হায়না কৌরকপদা রোশনগী থম্মোয়দা য়াম্না চাউথোকচৈ। যূমদা ইচননুপী অনী অমদি ইমা, মপূং ফাবা ইমুংনি। মচানুপা ইথন্তনিনা য়াম্না লুনা চান্না য়োকপী। খুঙ্গংদা লৈজরবসু পৈশা কোম্না শীজিন্নৈ, মরমসিনা খুঙ্গংগী ইমান্নবশিংগী লুচিংবনি, ঐ, রোশননবু হায়রবদি লাল্লবসু লান্না মখোয় অদুম য়াই।

ৱাখলগী মঙলান্দা তাউদুনা হৌখ্রবগী নুংঙাইবদা ইরোইরিঙৈ মাগী অঙৌবা পক্লবা উনশাদগী তারক্লিবা মচুমদু কাউথোক্লুরবনি, খঙহৌদনা হৱলদারনা খোঞ্জেল য়াক্লা চৈরকই ‘সাল্লা! লাপ্পা চৎখ্রো চৎলু...’ মানা শিৎ-শিৎতুনা লাক্লগা নূংজাও অমগী মখাদা অমনবা শেগায়রবা কম্পোরদু থাদুনা ফম্লগা খনবা অমুক হৌরকই..।

মানা চহী তরানিথোই শুরকপদা অপোকপী মমা খঙহৌদনা লৈখিদে। ইমুংদু চরাংনরে, অদুবু মাদি মমা লৈতবগী নুংঙাইতবসি শুপ্নতংগী নুমিৎ তরেৎনিলোমসি অহাওবা এঞ্জাং চাবা ফংদবসিদনি। মমাগী শোরাৎ হেক লোইবগা মমাগী মনাওনুপীদু মপাবুংগা লোয়ননা যূম পান্নবা শিল্লে। অহল-লমনশিংনা হায়বদগী অমদি অঙাংশিংবু য়েংশিন্নবগীদমক মীয়াই চল্লবা বজীরচন্দ্রনা চহী তরাহুমদোইদা ঙাইরিবী নুপীমচাদুবু মাগী লোয়নবী ওইবা য়ারে।

ইমা অনৌবীদু সরস্বতী কৌই অদুবু মানা মঙোন্দা ইমা হায়না কৌবা ঙম্লমদে। সরস্বতী লাকপদগীদি মপাসু মচাশিংগীদমক্তা থোয়না ৱাদ্রে। মানা শুম নীংশিংবদা ইমা অনৌবীদু মপাবুংগী নাতোনশুমাংগী কোইদু য়াম্না কিজরম্মী। মপাবুংদি চয়োল অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকই। খুঙ্গংদা মা লাকপগী পাউসি মপাবুংনা যূম য়ৌরক্ত্রিঙৈদগী হান্ননা তাবা ফংই। মমা অনৌবীনা পাখৎচনা হায় ‘রোশন, পাবুংদু ইরু-মায়থজনবা, চান-থক্লবা হংউ’ অদুবু রোশননা করিমত্তা হংদ্রিঙৈদা মপাবুংনা মকোইদু নাল্লদুনা হায়রকই “লালাগী দুকান্দগী চুরুট উপু অমা অদুগা এলাইচি মচা খরগা লৈরুচো, অরেম্বা পৈশাদু নঙগী ওইজরো।’ মসি মপাবুংনা যূমদা লাকপা খুদিংগীনি। রোশননা দুকান্দগী হল্লকপদা মপাবুংদু শুমাংদা চৌক্রিদা ফমদুনা খুলগী অহল ময়াম্না চারপাইদা ফম্লগা কোইশিন দুনা ৱারী শাদুনা লৈরি। লৈবাক্কী, লৈঙাকলোনগী ৱারী কয়া-কয়ানি শান্নরিবদু, অসুম্না নুমিদাংগী পুং ১০ তাখিবা খঙহৌদে। মখোয় মচিন-মৌপ্পা অহুমদি ঙন্না অদুম তূম্লে, মপাবুং করম্বা মতমদা ইমুং চঙলকই খঙদে। অদুগা অমুক য়াহৌরকপদা মফি-মরোল শেৎতুনা খোঙউপতু ব্রসনা নাম্থোক্তুনা লৈরম্মী। লোয়ননা মমা অনৌবীদা অঙাংশিংগী মরমদা হায় ‘অঙাংশিং নিংথিনা য়েংশিল্লুকো সরস্বতী, মফি-মরোল নান্না শেৎহনগদবনি, পৈশাগী ৱাদি খল্লুনুকো। মমা অনৌবীনা কিনা কিনা ‘ফনি-ফনি’ হায়রি।

মমা অনৌবীনা ইমুংদু নীংথিনা পাল্লি। নুমিৎ চুপ্পা অমা থবক-থবক। ঐগী স্কুলগী ছুটি ওইবা নুমিৎতি মানা ঐবু মনাক্তা কৌরগা কোক্তা থাউ তৈবী। অদুগা হায় ‘রোশন নঙনা ঐবু ইমা হায়না কৌদ্রিবা করিগীনো? ঐনা নঙবু লুনা তৌদবরনে? নঙদি ঐগী ইচেগী মচানি মদু য়েংলুরগসু অদুগা ইতৈগা লুহোংলবনিনা হৌজিক্তি নঙগী অশেংবা ইমা ওইরেদনা। ‘অদুম ওইনমক ঐগী চিন্দগী সরস্বতী হায়না হেক্তা থোকখি ‘সরস্বতী মপান্দা মী লাক্লমাল্লে অমুক্তা য়েংলুচো’ মানা হল্লক্লগা হায়রৈ কনাসু লাক্তে। ফরে অদু ওইরদি থোঙ লোনশিল্লো ঐ মথক্তা তূম্লুগে।

সুনিতাগা বিমলাগদি নুমিৎ খুদিংগী নুমিৎয়ুংবা মতমদা ইন্দামচাগী মনাক্তা ফি তুবা-লোনবা তম্বা চৎলি। নুংতিগী পুং অনীদা ইরুজবসি সরস্বতীগী হৈনবীনি। অযূক্তি থবক ইনখাং, অঙাংশিং স্কুল কাবগী শেম শাবা, চাকখুমগী থবক, শা-ষণগী শজিক পীজবা ওন্থোক্না য়ামখ্রে। ময়ামসি লোইরগা ঙাইহাক পোত্থাবা অমদি ইরু মায়থনবা মতম খরা ফংজবনি।

তূম্লুনি হায়না চঙখ্রগা সরস্বতীনা ইরুজবা মতমদা তুমিন্না লাক্তুনা থোং অহোবদগী য়েংবসি রোশনগী হৈনবী ওইরে। কয়াদা ফজখ্রবা! তনোয় তনোয়রদনা লাইথিগুম্মী, মাগী ফীভমদু উবদা রোশনদু করিনো অমা ফাওই। অদুবু সরস্বতীনা ইরুজবা লোয়রগা মফি মরোল শেৎপা মতমদদি তুমিন্না চৎখিদুনা তূম্বা শাশিন্নৈ। অসুম্না তৌরকপসি থা মরিরোম শুরক্লে। সরস্বতীনা মাগী মকোক্তা থাউ তৈবীবা মতমদা মঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইবা অমা ফাওই অদুগা মা স্বর মপী হোল্লি। মাগী মখূৎনা কোক্তা নানবতা নত্তনা মথবাক্তসু নালহন্নিংলকই। অদুবু মা মদুগী মখা তাবা ৱাখল খন্থবা ঙম্লক্তে। অদুবু ঙসিদি মাগী অফ-ফত্তগী ৱাখল মাঙখ্রে। সরস্বতীনা মশাদা ঈশিং চাইথদুনা ইরুজরিঙৈদুদা ... রোশননা পল পূম্বা নমখায়দুনা ... খঙহৌদনা ...। থোকহৈদবা পূম্নমক থোকখ্রে। সরস্বতীনা অমুক্তংদি লাউখি, নাম্থোক্লুবসু হোৎনখি। অদুবু ... মা হিক্লা ... হিক্লা কপ্লকই।

অতৈ মতমদদি মপাবুংদু নুমিদাংৱাইরমদা হেক-হেক লাকপনি অদুবু নুমিৎতুদদি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা হেক লাক্লে। শিংখ্রবা মীনি, উবতদা থৌদোক খুদিংমক খঙবা ঙম্লে। শাউবনা মৈ হৌরদুনা মানা ওক্তবী ... হুই ... হায়না চৈদুনা সরস্বতীবু লিচৈনা ফুবা হৌরকই। সরস্বতীদু ‘অয়ো’ ফাওবা হেক হায়রমদে। মপাবুংনা মমা অনৌবীবু ফুবদু উবদা মা তুমিন্না চেন্থেরক্লে। খুঙ্গংদগী সহর তম্না চৎপা বসতা কাখৎখিবদগী অমুক হন্না য়েংলমদ্রে। সহর অমদগী সহর অমদা, লেকফম চাফম লৈবা মফমদু মাগী ময়ূমনি। কোন ফেংবা, রিক্সো থৌবা, অফংবা থবক তৌদুনা হিংনবা হোৎনরে। চাবা থকপা, ৱাঙাঙ শঙাঙ পূন্নমক ঙাউশিন্নবা নুপামচাগী মতৌদুমকনি। করি করিগুম্বদা যূম নীংশিংলকপা য়াওই। মতমদুদা মা শ্বর মপী হোল্লি। খল্লি করিনোনে ঐনা তৌরুরিদুবো। ইমাগী মীনুংশি ফংবগী মহুৎতা...। মানা তৌরুবা ফত্তবা থবক অদুনা মাগী থম্মোয়বু য়াম্না ৱাহল্লি। নিশা মখল শুরে মানা চারিবা, ওইদবা ঙাঙবা, হুরানবা লোইনা হৈরে। চহী মঙাগী মমাঙদা দিল্লিদা ময়াম্না হঙ্গৈাইনবা মফম অমদা চহী অনী লৈরম্মী। ওক্তবী ললোনবী অমগী পাখোল্লোই ওইনা লৈরম্মী। ওক্তবী অদুগী পেন্নবা তৌই। মখল মখলগী মস্তিক্লবা মী কয়া পুদুনা লাকই। ওক্তবীদুসু হরাউই, তনৌ তনৌবা নুপামচাসি ওন্থোক্না ফখ্রেদা হায়না। মীয়াম্না ফত্তনা হন্থনা য়েংনবা থবক্তু পৈশানা লৈদুনা মখল মখলগী শাদোং মহাও তংহল্লি। লাক্লিবা পূম্নমক্না লৈনরিবা মরীসি সিখক্তনি। সি নত্তবা অতৈ লৈতে। অপাম্বা অদুতনা মরম ওইদুনা পল লাল্লুবদগী ময়ূম থাদোক্তুনা লাকপনি। মখল-মখলগী হকচাং কয়াগা শম্নরুবদগী অঙৌবা পকপগী লায়নানা নারে। ওক্তবীদুনা মাবুসু মাবু লৈবা লাকপা মীগী মতৌগুম থৌওইবিদ্রে, তান্থোকপীরে। গঙ্গা মপান্দা লৈরবদি লংজরুবা মরাল পূম্বা কোকই হায়দুনা দিল্লিদগী মফমসিদা লাক্লিবনি। হৌখিবা চহী মঙাসিদা মশাদু য়াম্না শোকচিল্লে। চাকনিবশিংগী পরেংদা ফমদুনা মীনা পীরম্বা অচা-অথক খরদু চাদুনা লেল্লি। চাকনিবশিংনসু মাগা লৈমিন্ননিংদে, লাপথোকই অদুবু মা পাম্বৈ লৈতে।

‘সে...’ খঙহৌদনা মা ৱাখল লাকই। সে তল, চাক-হৱাই সি চাউ। মানা মখূৎ অনীদু হেক থাঙ্গৎতুনা য়েংলুবদদি মা মমিৎ কুপত্রে। মাগী মমাঙদা মচননুপী বিমলাদু মপুরোইবগা লোয়ননা লেপলি। মচননুপী উবদা মমিৎতা পিরাং ঈহৌরকই। মানা চানবদু পীনা-পীনা হায়রকই ‘বাবা! ঙসিদি ঐগী ইমা অনৌবীগী ফিরোইনি, মাগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈনবা খুরুমজরি। মসি হায়রগা মানা শেল অচোয়বা খরা মাগী কম্পোরদুদা থাদরল্লগা মপুরোইবগা লোয়ননা চৎখ্রে। মচননুপী বিমলানা চৎখিবদু মিৎয়েংদগী তামখিদ্রিবা ফাওবা পিরাংনা থুমহৎলবা মিৎতুনা য়েংহৌই।